থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# পূক্লিং-ৱাখল পূন্নমক ফুম্বংনখ্রবা লৈঙাকপা অমসুং মীচম

পুনে'দা লৈবা 'ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়া'দা, ১৯৮৮দা অতেনবা ফিল্ম এপ্রিসিয়েসন কোর্স অমখক য়াওরুবদুদা 'মনি কৌল'না দিরেক্সন তৌদুনা পুথোকপা দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম অমখক য়েংলকখি। মমিংদুদি কুইমন্দুনা কাউখরে, শিনফমদুদসু খোঙ থাংজিনখিদ্রবনা। ফিল্মদুগী থিম, কন্টেন্ট, ইমেজশিং অদুদি ফনা ফজনা নীংশিংলি। পামজনা য়েংলুবা অমদি 'মনি কৌল' মশামক্তসু ইন্টরেক্ট তৌনরকখিবদুনা ওইবা তাই। কম্মেন্টরি শুকয়াও য়াওদবা, এরেঞ্জ সোট তৌদবা, লাইফ রেকোর্দিংখক্তনা ফিল্মগী সিন অমসুং ম্যুজিক ওইবা (ওর্কেস্ট্রেটেদ ম্যুজিক য়াওদবা/ম্যুজিক দিরেক্টরগী মথৌ লৈতবা) অদুনা ফিল্মদুগী থোইদোকপা মতৌ ওইখিবদুনি কাউঙমদবা। স্লমদা লৈবা (স্লম দ্বেল্লর) শিংগী পুন্সি য়েকপা ফিল্মনি। ফিল্মদুগী পাউজেল (মেসেজ) নি - 'বোম্বে সহর ফজহল্লিবা অমদি অচৌবা-অৱাংবা-অনানবা বিল্ডিংশিং লৈহল্লিবা অমোৎপা মফমদা, চাবা থকপা নীং-থুংদনা, যূমলীংদনা লৈরিবা শিন্নী (ৱার্কর) ময়ামসিননি'।

'সিগুম্বা থিমদা য়ূম্ফম ওইবা ফিচর ফিল্ম কয়া'মসু য়েংখ্রে। ঙসি, দোক্যুমেন্টরি ফিল্মদু অপান্ননা নীংশিংলক্লিবগী মরমদি, কোভিদ-১৯ লাইচৎসিনা লীথোকহল্লক্লিবা মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিংগী পুন্সি ৱারী তারুবা অমদি উৎথোরক্লিবা পুন্সি শক্তম অসি উরুবদনি। অচৌবা, মল্টি-নেসনল কম্পনিশিংগী শেঞ্জাওনা ইন্দিয়ন ইকোনোমি হিংহল্লম্বা নত্তে। মল্টি-নেসনল কম্পনিশিং অসিমকপু হিংহল্লন্লিবদি মখোয়গী ফাইব-ফিগর সেলেরি (লুপা লাক্ষকী মথক্কী তোলোব) ফংবা এগজিক্যুটিবশিং অদুনা নত্তে, মখোয়না মী ওইনা থাদবা, এমপ্লোয়ী ওইনা লৌদবা, নোংমা-নোংমগী নৎত্রগা চয়োলগী খূৎশুমল পীরগা থবক শূহনবা, মশাগী রাইট তাঞ্জনবা পূনশিনবসু য়াহন্দবা, অনওর্গনাইজ ওইবা শিন্নীশিং অদুগী মপান্দগীনি হায়বা খঙলক্কদবা হয়েংদা ঙায়রবনি। পোথোক পুথোকপা লেপখ্রবা শিনশঙশিং (ফেক্টরি অমদি ইন্দষ্ট্রিয়ল য়ুনিটশিং) মখোয়গুম্বা শিন্নী য়াওদনা প্রদক্সন করম' হৌগনি? শিন্নীশিং অদুদি লোকদাউন তৌরিঙৈ মনুংদা শা-ঙা-উচেক-ৱায়াগুম অতাবা খুন্দুনা চারগা হিংলুরো হায়বই মতাগুম হন্না য়েংবীদনা থল্লুরে। হৌজিক ছো হাংদোক্লে, ফেক্টরিসু হাংলনি হায়না লাউথোক্লগা মখোয় হেক্তা চেনশিল্লক্কদ্রা? থা অনী হেন্না ছো লোল্লুরবা শিনশঙশিংগী মেছিনশিং লোইনা কোট্লিং চারল্লনি। স্বিটচ নমফমদু কিৎ-নম্লুরগা মেছিনদুনা মরন্নাই পোৎ পুথোরক্কদবা নত্তে। হান্নগী ফীভমদা হনজিল্লকপা, তরায়-তরায়বা ওইথোক্লোই। থা অনী লেপ্পুরবা নেসন অমগী ইকনমিক এক্টিভিটি হায়বসে, লৈবাক্তুগী মীয়াম্বু য়ামদ্রবদা চহী কুন, চাওখৎপগী খোঙজেলদা মনীং হন্না চিংদুনা পুখ্রবনি হায়বা - অচুম্বসি মীয়াম্বু খঙহনগদবনি। থা অনী চূপ্না লৈবাকসিগী মীয়াম পূন্নমক ময়ূম-ময়ূমদা করিমত্তা তৌদনা লৈহল্লগা, পৈদুনা থল্লম্বা লৈবাকসিগী অহেনবা চেঙ-চাক-হৱাই-চেঙৱাই মীয়ামসিদা লেন্না য়েম্থোকখ্রিবনি, মহুৎ অমুক হাপচিনখিদ্রবনি। লৌউ-শিংউ-কল-কারখানা পূন্নমক পূমলেপ। গভর্ণমেন্টকী মরু ওইবা থৌদাংসু 'মীকুপসিদা পূন্নমক্না খনগদবা ৱাখলদি ইশাগী অমসুং লৈমিন্নরিবশিংগী থৱায় করম্না কনগদগে' হায়বগী অকিবদু পূন্নমক্কী থম্মোয়দা ফাওহনবা, লোয়ননা, তিন্নরিবা, হিংমিন্নরিবা থৱায়শিংবু অমনা অমদা থাজনদবগী চাং হেনগৎহনবা, মদুতা ওইখি। 'থেংনবা, উনবা মী খুদিংমক কোভিদ-১৯-মহীক-চেনবা-মী-অমনি-খনবা-মদুতনা সেফ ওইনা লৈনবগী অমত্তা ঙাইরবা পান্বেনি' হায়বা মালেমগী পাউজেল অদুনি, লোকদাউন ফেজ মরি লোইখ্রবা মতুংদা ঐখোয়দা লৈহৌরিবা। 'দোনাল্দ ত্রম্প'না অমেরিকানশিংদা হায়খিবা 'অমেরিকাগী ইকোনোমি চহী হুম্ফুতরা মনীং হন্দুনা চৎখরে' হায়বগুম্বা ইন্দিয়ন ইকোনোমিগী অচুম্বদুদি পি এম/মিনিষ্টর/প্রসিদেন্ট, মখোয় অহুমগী মরক্তা অমত্তনসু হায়রক্তে। শোকচিল্লবা ইকোনোমি ফগৎহনবই পান্দমদা লৈঙাকসিনা পায়খৎলক্লিবা থৌরাংশিং, খুদম ওইনা আর বি আইগী সরপ্লস ফন্দ পুমতেং তেংনা লৌথোকখিবা, মিনিষ্টর/এম পি/এম এল এ/গভর্ণর'নচিংবগী তোলব ককপদা নত্তনা ফাইনান্সল পাৱর হস্তহনখিবা, অসিনচিংবা ময়ামসিনা ময়েক শেংনা উৎলবা, এগ্রিকলচরেল অমদি ইন্দষ্ট্রিয়ল প্রদক্ত অমত্তসু পুথোক্তুব'সিমক্তদা গভর্ণমেন্ট'না হায়, '২০২০ লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী ইকোনোমি চাদা ১.২ হেন্না ফগৎলগনি'। কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা গ্লোবেল ইকোনোমি (মালেম পূম্বগী শেল-থুমগী ফীভম) চাদা ৩.২ হস্থরগনি পানরিঙৈসিদা ইন্দিয়াগী ষ্টেটমেন্ট অসি য়ুনাইটেদ নেসন্স'না অঙকপা অমগা লোয়ননা তাই।

পুং মরিখক্কী মমাঙদা পাউ পীরগা ইমপোজ তৌরকখিবা, মালেমগী খ্বাইদই চাউবা লোকদাউন অসিনা খ্বাইদই কনবা চৈনা পীরকখিবদি ইনফোর্মেল সেক্টরদা লৈরিবা, শিন্নী মশামক্লুফাওবা মশানা তৌরিবা থবক্তুগী ইকোনোমিক ইমপোর্টেন্স খঙজদবা, নোংমগী খূৎশুমল-চরা অনীখক ফংবদুনা লোইরে খঞ্জবা, ময়ূম থাদোক্লগা লাকপা (মাইগ্রেন্ট) ৱার্করশিং অসিদনি। চথোক-চৎশিনগী পান্বে পূন্নমক ইখঙ খঙহৌদনা থিংজিনখিবদগী কিলোমিটর লিশীংগী ময়ূম পাংবা লম্বীদা খোঙনা খোঙশাল্লকখিবা, লম্বীদা পুন্সি পিখন্নখিবা কয়াগী ৱারীদি ঐখোয়গী নাকোং য়ৌরকখিদ্রবনি। ইজরিবা পাউদমসি - লীখুন অমা নৎত্রগা অমদগী তানরবা পাউ অদু হঞ্জিন্না তম্বা নত্তে। ৱাফম অমখক হায়নীংবনি - ইন্দিয়নশিংবু মায়োক্লহনখিবা তাঙ্কক মরিগী লোকদাউন, মঙাশুবা তাঙ্কক (থা অমগী) চঙশিল্লিবা, মালেম পূম্বনা খঙলে, ঐখোয়বু লান্না লমজিংনবা শেরান তুরান হায়জিনবীরনু, 'মায় পাক্তবা চাংয়েং অমনি' হায়বা পাউজেল অসিনি লৈঙাক্কী নাকোংদা য়ৌহন্নীংবা। হৌজিক্তি, ইন্দিয়াদা চথরিবা লোকদাউন থৌশিল অসিনা 'কোভিদ-১৯ শন্দোকপা থিংবা ঙমদ্রে' হায়বসি লৈঙাকসিসু য়াগদবনি। 'অতোপ্পা লৈবাক্তা চাংদম্ন রুবদা ঐখোয় ফরি' হায়বা ৱাফমসি হায়হল্লগুমসি তানীংদ্রে। মখোয়না হায়বা তাদুনতা লাকপদু ঐখোয় হৌজিক তানীংদ্রে, ঐখোয়না হায়বা ৱা, লৈঙাকপা নখোয় অমুক তাও-হায়বগী তানফম অদু লাল্লবনি। রাম রাজ্য (রামগী লৈঙাক) কল্লকচখিবা, রামবু থাজবা পার্টিনি। প্রভু রামচন্দ্র মহাক্তি মাগী লৈঙাক, মীয়াম্না পেনবরা, পেন্নদবরা, মখোয়না করি খল্লিবগে খঙনবা অহিং-অহিং শকলোত্তুনা 'য়েন্নখা-পাউদাবী' শারগা চৎলম্বগী ৱারী তাই। ইন্টরনেট অমদি সোসল মিদিয়া লৈত্রিঙৈ মতমদুগী ৱারীনি। হৌজিক্তি লোইনা খুদক খুদক্তা খঙনরবনি। লুচিং পুরেন অমবু তথী-তথী চৈরুবদি, খুদক্তা ফায় থিদুনা। কান্নবা, অফবা পাউতাক নৎত্রগা পাউজেল অমা পীবদি মথুন্দফাও হাপ্পীদে। লোকদাউন ফিরেপ লৌবগী মরুওইবা পান্দমদি 'মীচম-মীয়াম পূম্ববু থোকহন্দনা থল্লগা, লায়না অসি লায়েংবদা তঙাইফদনা চঙবা মচাক-মথুম লাঙশিনবা, হোস্পিটাল ফেসিলিটি ফগৎহনবা, ক্বারন্টিন সেন্টরশিং মতিক চানা শেমগৎ-শাগৎনবা মতম লৌবা অমদি ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর শেম শাবা' অসিনচিংবনি। পূন্নমকসিদি তৌদনা করি তৌদুনা লৈবগে? মীচম ঐখোয়গী ৱাহংনি। ৱাহং অসি হংবগী মনা-কৈশুমশঙগী কাখু'রা?

লৌশিং পুক্কে

# অলকোহোল পোইজনিংগী মরমদা খঙগদবশিং



মীওই অমনা অতেনবা মতমগী মনুংদা কা-হেন্না য়ু থক্লবদি অলকোহোল পোইজনিং থোকই। ফিভম অসিদা মীওই অদুগী ঈদা য়াওবা য়ুগী চাং অসুক্কী মতীক ৱাংই, মসিবু টোক্সিক (হূ চেনবা) হায়না খঙনৈ। কনাগুম্বা মীওইশিংনা হেন্দ সেনিটাইজরগুম্বা অলকোহোল য়াওবা পোৎলমশিং শোয়বদগী থক্লুরবসু অলকোহোল পোইজনিং থোকপা য়াই। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ মতম অসিদদি হেন্দ সেনিটাইজর হায়বসি য়ূমথোঙ খুদিংগী লৈনবা মরম্না অঙাংশিংদা নীংথিনা খঙহনবা মথৌ তাই।

অতেনবা মতমদা কা-হেন্না য়ু থক্লবা মীওই অদু ৱাখল চমন্নরকপা, কৌবা ঙাঙবা খুমদবা, মায়কৈ ঙাওবা, নীংশা থবেৎ থবেৎ হোনবা, অমদি ৱান্থবা নৎত্রগা কোমাদা ফাওবা লৈখিবা য়াই।

ঙাইহাক্তংদা য়ু কা-হেন্না থকচিনবা হায়বসিনা অলকোহোল পোইজনিং খ্বাইদগী তোয়না থোকহনল্লি। অদুমওইনমক, কনাগুম্বা অমনা অলকোহোল য়াওবা অতোপ্পা পোৎলম অমবু খঙদদুনা নৎত্রগা শোয়বদগী থক্লুবদগীসু থোকপা য়াওদবদি নত্তে।

য়ু থক্লিবা মীওই অদুগী ব্লদ অলকোহোল কন্সেন্ট্রেসন (বি এ সী) না অকক্লবা চাং অমা য়ৌরকপা মতমদা অলকোহোল পোইজনিং তৌবদগী মীওই অদু ৱান্থহনবা য়াই।

কনাগুম্বা মীওই অমনা য়ু থকপা অদু লেপ্লবফাওবদা মিনিট ৩০-৪০ ফাওবদি বি এ সীগী চাং হেনগৎলকপা য়াই, মসিনা মরম ওইরগা লাইওংশিং অদু হেঞ্জিল্লকই।

মখাদা পীরিবা খুদমশিং অসি উরবদি মীওই অমা য়ু ঙাওরম্বদগী অলকোহোল পোইজনিং মায়োক্লবা হৌরবনি হায়না খঙবা য়াই, খুদমশিং অদুদি:

কনফ্যুজন; হাইপোথর্মিয়া (হকচাংগী টেম্পরেচর হন্থরকপা); কুচু তাইফেৎ তাইবা, করিগুম্বা মতমদদি কুচু হিগোক মচু চঙশিল্লকপা য়াই; মীওই অদু কৌবা ঙাঙবা খুমদবা অদুবু ৱাখলদি মাঙদবা; ৱান্থবা; নীংশা নীংথিনা হোন্দবা- করিগুম্বা মতমদা সেকেন্দ ১০ ফাওবগী চাংদা কান্নরগা হোনবা; নীংশা তপ্না হোনবা; ওবা - ৱাখল চমন্নরিঙৈদা ওরবদি হাবা য়াই; অসিনচিংবশিং অসিনি।

খরা হেন্না শাথিরবা ফিভমশিংদদি: নীংশা হোনবা মপুঙ ফানা লেপখিবা য়াই; হার্ট এটেক তৌবা; ওবদা হাবা- ওবদা য়াওরক্লিবা পোৎলমশিং অদুনা লংস তান্না চঙখ্রগা শাথিবা ইনফেক্সন থোকপা য়াই; হাইপোথর্মিয়া; মীওই অদু মহীগী শরুক কা হেন্না মাঙখ্রবদি ব্রেন দেমেজ তৌবা য়াবগী রিস্ক লৈ; ঈদা য়াওবা গ্লুকোজ লেবেল তাথখিবা (হাইপোগ্লাইসিমিয়া) ওইরবদি সিজর তৌবা য়াই।

অলকোহোল পোইজনিং অসি কা হেঞ্জিল্লক্লবদি মীওই অদু কোমাদা লৈখিবা য়াই অমদি শিবা ফাওবা য়াই।

অলকোহোল পোইজনিং হায়বসি য়াম্না খুদোংথীনিংঙাই ওইবা ফিভম অমনি। অলকোহোল পোইজনিংগী চিংনবা লৈরবদি খুদক্তা লায়েং চথবা মথৌ তাই।

কনাগুম্বা মীওই অমা অলকোহোল পোইজনিং তৌরে হায়না খল্লগদি খুদক্তা এম্বুলেন্স কৌগদবনি। এম্বুলেন্স য়ৌরক্ত্রিঙৈ মমাঙদা মখাদা পীরিবশিং অসি তৌবিগদবনি, মখোয়শিং অদুদি:

মীওই অদু ৱাখল মাঙদনবা নৎত্রগা তূমথখিদনবা হোৎনগদবনি; মীওই অদু ফম্বগী পোজিসনদা লৈহনগদবনি, হীপথহল্লোইদবনি- করিগুম্বা হীপ্লগদি মমায়দু নাকলদা ওন্থোকহনগদবনি; ঈশিং থকপা ঙম্লবদি পীথক্কদবনি; মীওই অদু ৱাখল মাঙলবদি, মহাকপু রিকভরি পোজিসনদা থমগদবনি অমদি নীংশা হোনবরা হায়না য়েংগদবনি; কোফি পীথক্লোইদবনি, কেফিননা দিহাইদ্রেসন হেনজিলহনগনি; লোংনা হীপহল্লোইদবনি; মখা তানা য়ু থকহল্লোইদবনি; খোঙনা চৎহল্লোইদবনি।

হোস্পিটাল য়ৌরগা, মীওই অদুগী বি এ সী লেবেল অমদি সিম্পটোমশিংগী শাথিবগী চাং অদুগী মতুংইন্না, অলকোহোল লেবেল অদু তপ্না তপ্না তাথরক্ত্রিফাওবা মোনিটর তৌদুনা থম্বা য়াই। অদুমওইনমক ফিভম শোকচিনবগী চাং মতুংইন্না অতোপ্পা লায়েংশিং চথবা য়াই, মখোয়শিং অদুদি:

নীংশা হোনবদা মতেং পাংনবগীদমক ৱিন্দপাইপতা ট্যুব অমা হাপচিনবা; হাইদ্রেসন, ব্লদ গ্লুকোজ, অমদি ভিটামিন লেবেলশিং মেনেজ তৌনবা ইন্ট্রাভেনস দ্রিপ কাপ্পা; মপান থোকপা ঙমদবগী ফিভম লৈরগদি য়ুরিনরির কেথেটর হাপ্পা; করিগুম্বা ফিভম খরদদি মীওই অদুগী চীন নৎত্রগা নাতোনদগী ট্যুব থিঞ্জিন্দুনা চাকফাওদা মহী কাপশিন্দুনা তেংথোকপসু য়াই।

করিগুম্বা মীওই অমনা শোয়বদগী মিথানোল নৎত্রগা আইসোপ্রোপিল অলকোহোল থক্লুরবা অমদি অলকোহোল পোইজনিং তৌরবদি মহাক্কী হকচাংদগী টোক্সিনশিং অদু লৌথোকপদা খোঙজেল য়াঙ্খ্ৎহন্নবগীদমক দাইলাইসিস মথৌ তাবসু য়াই।

আকোহোল পোইজনিং তৌবগী চাং অসি ইনখৎলকপা নহাশিংদনা হেন্না ৱাংই।

কনাগুম্বা মীওই অমনা অলকোহোলিক দ্রিঙ্ক থকপা মতমদা, হূ চেনবা পোৎশক অমা ওইরিবা য়ু অদুবু মহাক্কী ঈদগী লিভরনা ফিল্টর তৌগদৌরিবনি।

মীওইবগী হকচাংনা চীঞ্জাক্তগী য়ুনা য়াম্না হেন্না থুনা এবজোর্ব তৌই- ঈগী ঈচেলদা য়ুনা য়াম্না থুনা য়াঙনা য়ৌরকই।

অদুমওইনমক, লিভরনা প্রোসেস তৌবা ঙম্লিবা য়ুগী চাং অসিদি অকক্লবা চাং খরখক্তনি; পুঙ অমদা য়ু গ্লাস অমা (অলকোহোল গ্রাম ১৪) গী চাংখক্তংনি।

করিগুম্বা মীওই অমনা পুঙ অমদা য়ু গ্লাস অনী থক্লগদি, মীওই অদুগী ঈগী ঈচেলদা অহেনবা য়ু গ্লাস অমগী চাংগী অলকোহোল য়াওদুনা লৈগনি। থংনবা পুঙ অমগী মনুংদা অমুক্তা য়ু গ্লাস অনী থক্লগদি, থকপা লোইরবা মতুং পুঙ ২ ফাওবা মীওই অদুগী ঈগী ঈচেলদা য়ু গ্লাস অনীগী চাংগী অলকোহোল য়াওদুনা লৈগনি।

য়ু থুনা থক্লিবগী মতীক বি এ সীসু হেন্না ৱাঙ্খ্ৎলি। য়াম্না থুনা য়ু থকচিনবনা বি এ সী কা হেন্না ৱাংখৎলকপদগী মীওই অদুগী ফিজিকেলঅমদি মেন্টেল ফঙ্কসনদা অকায়বা পীরকই।

অলকোহোল পোইজনিংদগী ফগৎলকপা মতমদা মীওই অদুনা কোক চীকপা; পুক নাবা; ওনীংবা, এঞ্জাইটি, হকচাং নীকপা অসিনচিংবা থৌওংশিং থেংনবা য়াই।

মতম অসিদা ঈশিং মরাঙ কায়না থকপা অমদি মখল অমত্তগী য়ু থক্তবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পান্নি



**শান্তিকুমার শরাংথেম, ৱাংজিং ৱার্দ-৭**

লমদম অসিদা কোভিদ-১৯গী লায়চৎ পাকশন্না শন্দোরক্তনবা লৈঙাক্লসু য়াম্না কন্না হোৎনবিরি। অদুবু হৌজিক দিষ্ট্রিক্ট-দিষ্ট্রিক্টশিংদা হাংদুনা লৈরিবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা থেংনরিবা ফীভম অসিনা অহোবা খরদি লৈরবরা হায়না খঞ্জে। ওইরিবা ফীভম অসিনা লৈঙাক্তা অচৌবা পোৎলুম অমসু ওইরিবনি। লৈঙাক্লা লমদম অসিগী মপি-মপা ওইবা কৌবনিনা ঙাঙথোকখিবা অমদি লাউথোকখিবা ৱাফমশিং ঙাকপা হায়বসিসু তৌদবা য়াদ্রবা থৌদাং অমনি। মপান্দগী হল্লক্লিবা মীওইশিংনা লৈরিবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংগী মতাংদা হায়জনিংবদি মপান্দগী লাল্লগা ক্বারন্টিনদা লৈরিবশিং অরি-অনৌ পুন্না থম্বগী থৌওং অসি লৈহনবিরগনু। ক্বারন্টিন সেন্টরদগী লোন্না চেনবগী থৌদোক অমদি মীওইশিং অমমমদা লুপা ২০০/২০০ পীগনি হায়খিবা অদু পীখ্রবরা নত্রগা পিদ্রিবরা লোয়ননা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা চাক-এঙ্গাং থিনবা লাক্লিবসিগী মতাংদা য়েংশিনবিয়ু। ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা চানবা পোৎলম মরাং কায়না পীদ্রবসু থক্লবা ঈশিং ফাওবদি ফজনা পীহন্নিংই। অপুম্বা চাক-এঙ্গাং পিরে হায়বা ৱাফমসিনা অচুম্বা ওইরবদি মরাল লৈবা মীওইশিং অদু চৈরাক পীবিয়ু। ক্বারন্টিন সেন্টর খুদিংমক্তা লৈঙাক্লা চৎতুনা য়েংশিনবিয়ু।



**লোংজম রোসন, থিয়াম লৈশাঙখোং লাইশ্রম লৈকায়**

করিগুম্বা লৈঙাক্লা মপান্দগী লাকপা মীওইশিংবু য়াম্না কুপ্না মোনিটর তৌদুনা য়েংশিনবিরল্লবদি ঙসি ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং হেনগৎলক্লিবা অসি হেনগৎলমদবা য়াই। লাইবক থীদুনা মপান্দগী লাকপা মীওইশিংনা হান্নদগী লৈজরিবা মীওইশিংদা লায়না অসি শন্দোরকপা তারবদি য়াম্না শাথিবা ফীভম অমা ওইরকপা য়াই। মরম অদুনা লৈঙাক্লা অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা মপান্দগী লাল্লগা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা লৈরিবা মীওইশিংবু য়াম্না কুপ্না য়েংশিনবগী তঙাইফদবা লৈ। লোকদাউন কোমথোক্লগদ্রা খল্লম্বা অদুসু জুনগী অরোইবা থা ফাওবা শাংদোকখ্রে। মরম অদুনা লৈঙাক্লা নোংমগী থবক শু-নোমদুনা হিংলম্বা মীওইশিংগী অখন্নবা তেংবাং খরদি তৌবিবনা ফগদরা হায়না খল্লি। লোয়ননা মপান্দগী হল্লকপা ইচিন-ইনাউশিংদা হায়জনিংবা ৱাফমদি য়ারিবমখৈ ৱারবসু ৱানা নুমীৎ খরনি অসি ক্বারন্টিন মপুং ফানা তৌদুনা য়ুমদা হল্লক্লবা হোৎনবিয়ু। মদুনা লৈবাক মীয়ামগী য়াইফবা হায়বদু ওইগনি। মমা-মপা ওইরিবশিংনসু নুংশি হায়দুনা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়ারিবমখৈ থিনবা তৌবিগনু। পূন্নমক্লা ৱারবসু ৱানা মতম খরদি খাঙমিন্নবনা ফগনি।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

# থাংমৈবন্দদা নুপীমচা ১দা চথখিবা মোব ত্রাইয়েলগী মায়োক্তা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনদা ৱাকৎলক্লে

ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচ এন এস) : থাংমৈবন্দগী মীওই খরনা লাই-রৌ য়োন্থোকই হায়বগী ৱাফমশিং মশামক্কী ফেসবুক একাউন্টদা অপলোদ তৌরুই হায়বগী মরালদা মীওই খরনা নুপীমচা অদুবু মীয়াম মমাঙদা লোনা থিংলবা মোব ত্রাইয়েল/মোব জষ্টিসকী থৌওংশিং চথখি হায়বগী মায়োক্তা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম ঐচ আর সী)দা পিটিসন অমা ফাইল তৌরকখ্রে।

পিটিসন অসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী শামুরৌ কৈথেলদগী মশামকসু এদভোকেট অমা ওইরিবা মোইরাংময়ুম অজিৎকেবিন (২৫), অপোকপা এম ইবোহলনা পিটিসনর ওইদুনা ফাইল তৌখিবনি। পিটিসন অসিদা রেস্পোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লক্লিবশিংনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী স্পেসল সেক্রেটরি (হোম), দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি) মণিপুর, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি অমসুং সিটি পুলিস ষ্টেসন, ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসন অমদি লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জশিংনি।

কম্মিসনদা ফাইল তৌরক্লিবা প্রো বোনো কমপ্লেন্ট পিটিসন অসিনা ফোঙদোক্লিবনা থৌওং অদু কনষ্টিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী আর্টিকল ২১ অমসুং ১৪ না পীরিবা লন্নাই মীওই অমগী দিগ্নিটি ভাইয়লেট তৌবা থৌওংনি। মরম অদুনা প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস এক্ট, ১৯৯৩গী সেক্সন ১২(এ)(১) অমসুং (২)গী মখাদা অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি মখা তানা থোরকহন্দনবা কম্মিসন্না মরী লৈনবা রেস্পোন্দেন্টশিংদা রেক্কমেন্দসন/ওর্দর পীবীনবা হায়জরকখিবনি।

কম্মিসননা পিটিসন অসিগী মতুংইন্না প্রো বোনো কমপ্লেন্ট কেস নম্বর- ৬৭ ওফ ২০২০ লৌখৎলগা মসিগী প্রোসিদিং ঙসি কম্মিসনগী এক্টিং চ্যেরপর্সন খাইদেম মনিগী কোরমনা লৌখৎখ্রে। কম্মিসন্না লৌখৎপা প্রোসিদিংগী মতুংইন্না চথখিবা মোব ত্রাইয়েল/মোব জষ্টি অদুগী ভিদিওনচিংবা অপলোদ তৌদুনা সোসল মীদিয়াদা সিয়ারিং তৌনখিবা থৌওংশিং অদুগী মতাংদা থা অসিগী ১০ ফাওবগী মনুংদা শোয়দনা রিপোর্ট অমা মরী লৈনরিবশিংনা কম্মিসনদা পীখৎলক্কবা খঙহনখ্রে হায়রি।

পিটিসন অসিদগী কম্মিসননা প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস এক্ট, ১৯৯৩গী সেক্সন ১২গী মখাদা প্রাইমা ফেসি লৈরে হায়না লৌবদগী কেস অসিগী প্রোসিদিং চথখিবনি হায়রি।

## থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচ এন এস) : সী এম বিরেনগী লুচিং মখাদা হোম ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈবা অমদি কোভিদ-১৯গী ভলন্টিয়রশিংদা সেনিটাইজর অমদি মাস্ক য়েন্থোকখ্রে। মসিগীদমক সী এমবু থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়না কবুই য়ুনিয়ন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ডা. কে হিরা কবুইনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ফুরুপ কয়াগী লুচিংবশিং মণিপুরগী সী এমনা কৌরক্তুনা থা অসিগী ২৭তা সী এমগী বঙ্গলোদা মীফম পাঙথোকখি। কোভিদ-১৯গী লান্থেংগী মতাংদা পুন্না হোৎনমিন্নবা সী এমনা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। মায় পাক্ত্রিবা ফাওবা কোভিদ-১৯ থেংনমিন্নসি। ৱর্ল্দ হেল্ঠ ওর্গনাইজেসন অমদি ইন্দিয়ন কাউন্সীল ওফ মেদিকেল রিছার্সকী পাউতাক ইন্দুনা চৎসি হায়বা চেজাইসু য়েন্থোকখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# 'ষ্টেট রিপোর্ট পীদবনা মেনেজমেন্ট কম্মিটিদা অচৌবা প্রেসর লৈরে'

ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচ এন এস) : ক্বারন্টিন সেন্টরশিংগী টেষ্ট রিপোর্ট মতম চানা পীদবনা মেনেজমেন্ট কম্মিটিদা অচৌবা প্রেসর লৈরে হায়না কম্যুনিটি ক্বারন্টিন সেন্টর খুন্দ্রাকপম এ সীগী মীদিয়া ইন-চার্জ বি কে নান্দৈবমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, খুন্দ্রাকপম এ সীগী এম এল এনা চ্যেরমেন ওইবা ক্বারন্টিন সেন্টর অমা আর কে সনাতোম্বী বিদ্যালয়াদা হাংদোকখি। ইন্টর ষ্টেট সর্ভিস তৌবা দ্রাইভরশিংগী ওইবা তোঙানবা ক্বারন্টিন সেন্টর অমসু কানন দেবী মেমোরিএল হায়র সেকেন্দরিদা হাংদোকখি। ঙসি ফাওবদা দিসচার্জ তৌখিবা ইনমেটশিং থাদনা হৌজিক ইনমেট ১৭৩ লৈরি। ইনমেটশিং অসিগী মনুংদা ইনক্যুবেসন পেরিয়দ শুরবা কয়াসু য়াওরি। মখোয়শিং অসি হেল্ঠ ওথোরিটিনা মতম চানা টেষ্ট তৌবীদবা অমদি তৌখ্রবসু টেষ্ট রিপোর্ট ফংহন্দবা কয়া অমা য়াওরি।

ক্বারন্টিন মতম শুরবা ইনমেট কয়া মশা-মশাগী য়ুমদা হোম ক্বারন্টিন তৌজরগে হায়না সার্টিফিকেট পীনবা মেনেজমেন্ট কম্মিটিদা প্রেসর কয়া লৈরে। মতম শুরবা ইনমেটশিং সেন্টরদা অসুম্বক থমজিনবনা লৈঙাক্তসু অহেনবা শেনফম চৎপদা নত্তনা মেনেজমেন্টতসু অহেনবা শেনফম চৎহল্লি। নোংম-নোংমগী অনৌবশিং লাকপনা অরিবগা অনৌবগা থম্মিন্নবদসু খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লি। মতম শুরবশিং হোম ক্বারন্টিন তৌনবা ৱাকৎ কয়া লেপ্তুনা লাক্লি হায়নসু মখা তারি।

# ক্বারন্টিন সেন্টর থম্বদা মীয়াম্না মীপায়বীগনু : নিমাইচান্দ লুৱাং

ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচ এন এস) : ক্বারন্টিন সেন্টর থম্বদা মীয়াম্না মীপায়বীগনু হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ৱাঙাংলোয় ৱাই য়ু সীগী মেনেজিং কম্মিটিগী চ্যেরমেন ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংনা ফোঙদোকখ্রে।

থৌবাল ৱাংখেম হুইদ্রোম লৈকায়দা লৈবা য়াইরিপোক য়ুনিভর্সেল কোলেজ লিংখৎখিবগী চহী ৩০ মপুং ফারকপগা মরী লৈননা কোলেজ অদুদা হাংলিবা ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈরিবশিংদা চাক্লেন পীজবগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা ডা. নিমাইচান্দনা হায়খি, লমদমসিগী মীয়াম্না ক্বারন্টিন সেন্টর থম্বদা মীপায়বীগনু। লায়না-লাইচৎ অসি শন্দোরকপদা থিংগদৌরিবনি। অচৌবা সিটি কয়াদা লৈরুবা ইরমদম অসিগী মীওইশিংনা করিগুম্বা পোজিটিভ ওইবশিংগা কন্টেক্ট তৌনবা য়াওরল্লবদি ক্বারন্টিন সেন্টরদা থম্বসিনা লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোকপা ঙমগদৌরিবনি।

ক্বারন্টিনদা থম্বা হায়বসি ইনক্যুবেসন পেরিয়দকী মতমনি। মহিক অদুনা চঙখিবদগী নুমীৎ ১৪ নিগী মনুংদা লায়না-লায়ওং উৎথোরকপা মতম অদুনি। ক্বারন্টিন সেন্টরদা নুমীৎ শুরবশিং টেষ্ট তৌদনা হলহনবা য়ানিংদে হায়না ফোঙদোরকপদু সাইন্টফিক ওইবা মায়কৈদা থল্লকপা মাল্লি। ক্বারন্টিন তৌরিঙৈ মনুংদা লায়না-লায়ওং উৎথোরক্তুবদি টেষ্ট তৌদ্রবসু য়ুমদা হোম ক্বারন্টিন তৌবদা অকায়বা লৈতে। য়াইরিপোক য়ুনিভর্সেল কোলেজ অসি কুমজা ১৯৯০গী জুন ১দা লিংখৎখি। নুপা-নুপী অনীমক তম্বা য়াবা মহৈশঙ অমনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# কুমজা ২০০১গী সেন্সসতা দিলিমিটেসন তৌগনি হায়বা অরানবা থৌশিলনি

ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচ এন এস) : কুমজা ২০০১গী সেন্সসতা য়ুম্ফম ওইরগা দিলিমিটেসন তৌগনি হায়রিবসি অরানবা চৎনবা য়ারোইদবা থৌশিল অমনি হায়না ইথনো হেরিটেজ কাউন্সীল (হেরিকোন)গী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা সেক্রেটরি য়াইফবনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, সেন্সস অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা দিলিমিটেসন তৌবা তারবদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ইফোং ফোংবা অরানবা য়ুম্ফম য়াওদবা রিপোর্ট অমদা কাঙলুপ-ফুরুপ নাইবা মওংদা দেম্মক্রেটিক প্রোসেস অমবু খোঙ্গাওনবনি হায়না লৌগনি। খোঙথাং অসিনা লমদম অসিদা পামদবা থৌদোক কয়া থোকহল্লকপা য়াই। থাংজিল্লিবা খোঙথাং অসি হন্দোক্তুনা চপ চাবা অচুম্বা রিপোর্ট অমা পুথোক্লবা মতুংদা দিলিমিটেসনগী খোঙথাং অসি পায়খৎপীয়ু।

হৌজিক লৈরিবা সেন্সস রিপোর্ট অসিদা দিলিমিটেসন তৌবা য়ারোই হায়বসি মমাঙথক্তা মীয়াম অমদি সিভিল সোসাইটিগী মীহুৎ লোয়ননা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোক্লুখ্রে। কুমজা ২০০৮ দা ওল পোলিটিকেল পার্টিগী মীহুৎ কাঙবু অমনা দিল্লিদা চৎতুনা খোঙথাং অসি পায়খৎতনবা অমদি অরানবা রিপোর্টনচিংবা কয়া অদু ময়েক শেংনা উৎতুনা খঙহনখ্রে। কুমজা ২০০১ গী সেন্সসতা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা মীশিং হেনগৎলকপগী চাং অসি মালেমগী মফম অমত্তদা ওইখিদ্রিবা মওংদনি হায়নসু মখা তারি।

# য়ার্ন পাস বুক রিলিজ তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচ এন এস) : ফিশাবীশিংগীদমক কন্সর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা য়ার্ন পাস বুক রিলিজ তৌখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট প্রোজেক্ট মেনেজরশিংগী খুথাংদা য়েন্থোক্কদবা পাস বুকশিং ঙরাং রিলিজ তৌখি। তুংদা ৱা ঙাংলদুনা ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্টর বিশ্বজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, অহানবা ফেজগী ওইনা পাস বুক লিশিং ১০ রিলিজ তৌরে। স্কিম অসিগী মখাদা কার্দ হোল্ডরশিংনা লং লৈবদা চাদা ২০গী সবসিদি ফংগনি। ষ্টেট অসিগী ফিশাবীশিংনা কার্দ অসি পায়বীবগা লোয়ননা ফিশা-লোনশাগী লমদা থবক কয়া পায়খৎপীয়ু। ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্ট দেলিভরি সিষ্টমগী মখা চখরকপা ওইনা য়ার্ন পাস বুক অসিসু লৌখৎলকপনি। লোকদাউন মনুংদা ফিশাবীশিংদা মতেং ওইনবা অসিগুম্বা খোঙথাং অসি লৌখৎপনি। হেন্দলুম হায়বসি ষ্টেট অসিগী ওইনা হিংনবগী লম্বী পীবা য়াম্না মরুওইবা লম্বী অমনি।

ফিশাবীশিংনা ফি শাবা লেপ্পীগনু। ষ্টেট অসিগী মফম খূদিংমক্তা লং ফংহন্নবা মীৎয়েং চঙগনি। লমদমসিগী পোথোকশিং চাউখৎহন্নবা হোৎনসি। য়ু পিদা লমদমসিগী পোৎলম অমা মেন্যুফেকচরিং য়ুনিট অমনা শারকপা অসিগী মতাংদা দিরেক্টোরেটকী মায়কৈদগী মিনিষ্ট্রিদা ওফিসল ওইবা চেরোল অমা ইখ্রে।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

**তাং ৩।০৬।২০২০ ইং, য়ুমশকৈশা, অয়ুক পুং ৯.০৭ ফাওবা ইঙাগী ১২ নি পাল্লি, মতুং ১৩নি পাল্লনি।**

**মেষ :** নচাক-নরল চাওখৎপা, লাইবক থোইনা ফবা, লল্লোন ইতিক কান্নবা অমদি থৌনা লৈবনা ওইজ-ওইথক ফংবা নুমিৎনি। নোল্লুকপা ৱাৎলদি নরল মাঙজগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মায় পাক্কনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**বৃষ :** ৱাখল থোকপা, মীচং লৈবা অমদি ইমুং-মনুং পুকচেল তিন্নবনা চাওখৎপা ওইগনি। অনৌবা থৌরমদা মায় পাক্কনি অমদি শেন্দোং তানবা থবক্তা মাঙজিল থাগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/কিসমিস।

**মিথুন :** মরুপ খনবা হৈত্রদি ঈকাই-নুংশি য়ান্নবা থৌদোক নংবা য়াই অমদি অরং-অরাক পিথোক্কনু। খাংবা কনবা অমদি অখঙ-অহৈগী পাউতাক লৌবনা য়াইফবা ওইগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মীৱা লৌগনু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**কর্কট :** নুংঙাইথোকপা ঙম্বা, মীয়াম্লসু থাগৎপিবা অমদি ৱানোম থৌনোম কান্নবা নুমিৎনি। অচুম্বনা মায় পাক্কনি অদুনা হুরান-চিন্থিগী থবক্তা য়াওরুনু। হোয়া ফগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবা ফংই -নুংঙাই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**সিংহ :** মায় পাক্কনি, খজিক খন্থরদি চাদিং হন্থবা ঙমজগনি অমদি মীকোক থোংবগী নুংঙাইবা নুমিৎনি। মরুপ অমদি অঙম্বনা চানবীবদি ৱাৎকনি -শাওগৎকনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**কন্যা :** অনা-অয়েক কোকচবা, ঙাঙবা-শকপা হৈবনা মীনা থাগৎপিবা, অরং-অরাক লেপশিনবা য়াবা অমদি অফবা মফম ফংবগী নুংঙাইবা লৈজগনি। খাংবদি কল্লু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - পূক্লিং ফাথৌ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**তুলা :** হরাওবা নুংঙাইবা, অনীংবা থবক লায়না পাংবা অমদি মীয়ামগী মতেংসু ফংবা ঙসিসু লৈগনি। অদুবু লৌশিং থোকপা ৱাৎপা অমদি খুৱৌ থাংবসু লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নিাপু/য়াইঙং।

**বৃশ্চিক :** তপথৌ, চরাংগনু, মীৱা হেন্না থাজগনু অমদি মীয়াম লোয়নবা হৈয়ু। অনীংবা থবক পাংদবগী নিংদোম পোম্বা অমদি নোল্লুক্লা চৎত্রদি পামদবা নংবা য়াবা লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - পূক্লিং লাংগনু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/হিগোক।

**ধনু :** ৱা ঙাঙবা হৈয়ু অমদি ইমুং-মনুংগী ৱা থওইদবা তৌগনু। লল্লোন ইতিক কান্নগনি, নচা-ননাই অমদি লৈফমগী লম্‌দা নীংবা থুংগনি অমদি থৌনা ফুদোকপা কাইদে।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মীচং লৈগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/কিসমিস।

**মকর :** নীংবা মপা চাগনি অমদি লাই-গুরুনা থোইনা চানবীগনি। নচাক নরলদা য়েৎপা অমদি হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা খরা লৈরবসু থেংলপ্লা নুংঙাইবা পাউদি তাগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ৱাখল নুংঙাইগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং।

**কুম্বা :** লাই-গুরুনা চানবীগনি, মীচং খোম্বা য়াগনি অমদি নথক থোংবগী পাউতাক লৌবনা কনানসু লাকচবা ঙমলোই। চিংনবা পোকপা লৈতনবা মীৱা তাগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মরী ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মিন :** হন্থবা লোয়নগনু অমদি নীংবদুমক পাংদা য়াদে খনগনু। ইচং থৌবগী কান্নবদি শোয়দনা ফংজগনি অমদি মীনা লাকচবা ঙমলোই। ৱানোম থৌনোমদি মাঙগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - অশাওবনা মাঙজগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ঈশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।